সোসিয়েল মেদিয়াদা তোকঙা শন্দোরকপগী থৌওংশিং অসি লায়না লৌবা চুন্নোই ঃ দেসাম

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (এসএনএস)ঃ মালেমগী ওইনা কোরোনা–ভাইরসকী লাইচৎ লান্থেংনরিবা অসিগী মনুং চন্না ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর ষ্টেটতা মখল কয়াগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি অসিদা হোস্পিটালশিংদা অনা লায়েংবগী থবক তৌরিবা ডাক্তর, নর্সনচিংবা অমদি এম্বুলেন্স সার্ভিস তৌরিবশিংবু মীয়াম্না লান্না উরকপা অসি খুন্নাই অসিগী ওইনা য়াম্না লাইবক থিবনি। লোয়ননা মথৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা থবক তৌজরিবশিংবু হোস্পিটালদা চৎলুরবদি লৈকাইদা অমুক হঞ্জিল্লকপা য়ারোই হায়বনচিংবা সোসিয়েল মেদিয়ানা শন্দোরক্লিবা তোকঙা অসি ইচম চম্না লৌবা য়ারোই। হৌজিক হৌজিক মীয়াম্না নুংদা খল্লিবা ৱাখল্লোন অদুগী মমিনা হায়না দিমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না ফোঙদোরক্লি।

দেসামগী সেক্রেটরী জেনরেল লৈশাংথেম লময়ানবা মৈতৈনা ঙসি মেদিয়াদা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক হোৎনবগা লোয়ননা ক্বারেন্টিন সেন্টরদা লৈরিবশিং অমদি মেদিকেল প্রোফেসন্দা থবক তৌরিবশিংবু খুন্নাই অসিনা মান্নদবা মীৎয়েংবগুম য়েংবা অসি চাম্মদা চাম্মা চুমদবনি হায়না লৌই। মরম অদুনা মখোয়বু লান্না উবগী মহুত্তা হেন্না নুংশিবা উৎপনা অচুম্বা ওইগনি। অসিদসু নত্তনা খুল অমগা অমগা ফাওনবা লম্বীদা উ–ৱা ফৈজিন্দুনা শম্বল খাজিনবা, লম্বী থিংবা অসিসু তৌবিদনবা আপিল তৌরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ঐখোয়গী খুন্নাই অসি য়েলহৌঙেদগী হৌনা মপু পাল্লকপা, থকশি খাশি লৈরকপা খুন্নাই অমনি। মরম অদুনা খুল খুলদা লৈকাই লৈকাইদা মীওই খরনা তৌনিং তৌনিংবা পংতৌদা তৌবা হায়বসি খুন্নাই অসিগী লিক্লমচৎকী মায়োক্তনি। খুল অমা লৈকাই অমা হায়বসি ঙল্লিঙৈ মতমদা খুন পুবা খুলগী কম্মিটি, লৈকাইগী ওইবা কম্মিটি, মৈরা পায়বী, ক্লব ওর্গনাইজেসন্নচিংবশিং অসি মফম মফম অদুগী ওথোরিটি ঙাক্তনি। খুলগী মীফম ফমদুনা লেপ্পুখিবা ৱারেপ খুলগী মীয়াম্না ঙাকপগী চৎনবী ঙসি ফাওবা হিংদুনা লৈরি। মরম অদুনা খুল লৈকাইনা য়াদবা, ক্লবনা য়াদবা থবক মীওই খরনা তৌনিং তৌনিংবা তৌবা হায়বসি অফবা খোঙথাংদি ওইরোই। অসিগুম্বা ফত্তবা খোঙথাং অসি খুদক্তগী লৈকাইগী থৌ পুবশিংনা মীৎয়েং চঙবিদুনা তোকহন্নিংই।

ইসেন্সিয়েল সার্ভিসকী মনুং চল্লিবশিংগী থবক অমদি মসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংগী চখোক চৎশিন্দা মীয়াম অমদি পুলিস পার্সনেলশিংনা কোওপরেসন পীবিয়ু মখোয়দা অথিংবা পীবিগনু হায়বগী ৱাফমসু থল্লি।

চেরোল অসিনা হায়, গভর্ণমেন্টনা কোভিদ–১৯ লান্থেংনরিবা অসিদা পাংবা য়াবা মতেং পাংদুনা হেন্না মপূং ফাহন্নবগীদমক দেসাম অমসুং এইমসকী মীওই ১০০ না শাবা তাক্স ফোর্স অমা শেমদুনা গভর্ণমেন্টতা খঙহনখ্রবসু ঙসি ফাওবদি করিগুম্বা মখল অমত্তগী থৌদাং শিন্নরকপা লৈত্রি। অসিদসু নত্তনা হেলথ দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর ফাওবা কয়ারক হন্না উননবা হোৎনরবসু ঙসি ফাওবদি কোওপরেসন পীরকপা লৈতে। অসিগুম্বা দাইত্ব য়াওদবা থৌওং অসি য়াম্না হকচিন্না লৌই হায়রি।

গভর্ণমেন্টনা হৌজিক টুটেল লোকদাউন তৌরিবা অসি কৈদৌঙৈ হাংগনি হায়বা তম্বা ঙমদবা ফিভম অমদা লৈরি। মরম অদুনা হায়রিবা লোকদাউন মনুংদা মহৈরোয়শিংনা স্কুল কলেজ যুনিভর্সিটি কাবা হায়বসিসু ওইথোক্তবনি। অদুনা মতৌ কমদৌনা মহৈ তম্বিগদগে হায়বগী মতাংদা ফিজিকেল দিষ্টেন্স দিজিটেল প্রোক্সিমিটিগী খুদোংচাবা লৌদুনা ইন্টরনেটকী খূত্থাংদা ওৱাশিংনা মহৈ তম্বীনবা থৌরাং লৌখৎপিয়ু হায়না গভর্ণমেন্টতা হায়জখ্রবসু ঙসি ফাওবদি থবক অমত্তা পায়খৎলকপা উদ্রি। অথুবা মতমদা শোয়দনা পায়খৎলক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবদি থল্লি। থৌরাং অসি গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্ত্রবসু লনাই স্কুল কলেজশিংনদি ইরাই লায়না হেক্তা হৌবা য়াবগী থাক্তা লৈ। মরম অদুনা লনাই স্কুল কলেজ চল্লাইরিবশিংনা থৌরাং অসি মহৈরোয়শিংগী খনবিদুনা খুদক্তগী হৌনবা থবক লৌখৎপিয়ু হায়রি।

চেঙ চিংবা হৌনখ্রে

থৌবাল, মার্চ ২৬ (এসএনএস)ঃ কোরোনাভাইরস লান্থেংনরিবা অসিনা মরম ওইদুনা নুমিৎ ২১ নি হায়বদি লাক্লিবা এপ্রিল ১৫ ফাওবা লৈবাক শীনবা থুংনা লোকদাউন তৌখিবগা লোয়ননা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মীয়ামদা এপ্রিল থাগী পীগদবা ফুদ সেক্যুরিটিগী চেঙ লেম্না ফংহন্নবগীদমক থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৬ হায়বদি লিলোং, ৱাংখেম, থৌবাল, ৱাংজিং তেন্থা, হৈরোক অমসুং খাঙবোক্কী এজেন্টশিংনা মাগী মাগী চেঙগী চাকথুং চিংবা হৌনখ্রে। থৌবাল তাংজেং চীংগোলদা লৈবা এফ সি আই ফুদ ষ্টোরেজ দিপোদতগী ঙসি চেঙ চিংবা হৌখিবনি লোয়ননা কন্সটিট্যুয়েন্সি খরদদি য়েন্থোকপসু হৌখ্রে হায়রি।

থৌবাল এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ওইনা ফিয়ারপ্রাইস সোপ ৪১ দা মখোয় মখোয়গী চেঙগী চাকথুং পীবসু হৌখ্রে। কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী এম এল এগী মীহুৎ অসেম গোপালনা ফোঙদোরকখিবদি গভর্ণমেন্টকী পাউতাক মতুং ইন্না অথুবা মতমদা চপ মান্ননা লৈকাই লৈকাইগী ক্লব অমদি ইমা ইবেলশিংগা লোয়ননা চেঙ য়েন্থোক্লগনি। মীয়াম্না জ্ঞান তানা তহা তহা তৌদনা চেঙ লৌবিনবা অমদি লৌবা লাকপা মতমদা মী অমগা অমগা মিটর ১ লাপ্না পরেং লেংদুনা লৌবিয়ু হায়রি।

ট্রান্সফোর্মর পীবগীদমক থাগৎপা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (এসএনএস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা য়াইরিপোক টোপ চিংথা কোংবম লৈরক্তা লৈবা ৱাই পি টি–এ ট্রান্সফোর্মর চৎলিবা থা অসিগী ৯ দা লাইটিংনা মরম ওইদুনা য়াদনা লৈরকখিবদু লোকেল এম এল এ টিঐচ শ্যামকুমারনা ১০০ কে ভি এগী ট্রান্সফোর্মর অমা পীবিবগীদমক নোংপোক নিংথৌ য়ুথ এসোসিয়েসন (এন এন ৱাই এ)না থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে। এন এন ৱাই এগী জেনরেল সেক্রেটরী লনর্জিৎনা ফোঙদোরকখিবদি ট্রান্সফোর্মর অদু চাকখিবনা মরম ওইরদুনা হৌখিবা চয়োল অনীরোম অসি মীয়াম্না মৈ ফংদনা লৈরকখিবনি। লোকেল এম এল এনা অনৌবা অমা মীয়ামদা খুৎশিন্নরকখিবা অদুগীদমক এম এল এবু লৈকাইগী মীয়াম অমদি এসোসিয়েসনগী মেম্বরশিংনা হায়নিঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি। মতুংদা তৌরকপা থবক থৌরম খূদিংমক্তা লৈকাইগী মীয়াম মৈরা পায়বী, ক্লব, ওর্গনাইজেসন–শিংনসু পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ–১৯ লান্থেংগী ফ্রন্টলাইন্দা লৈরিবশিংদা গভর্ণমেন্টনা পি পি ই মতিক চানা পীগদবনিঃ কো–ও খুরাই

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (এসএনএস)ঃ মীয়াম্না কোরোনাভাইরসকা লান্থেংনরিবা অসিদা থৌনা লৈনা মথৌ তৌরিবা ষ্টেট অসিগী ফ্রন্ট লাইন্দা লৈবা ডাক্তরশিং, মেদিকেল ষ্টাফশিং, পুলিস পার্সোনেলশিং অমদি ইসেন্সিয়েল সার্ভিসতা লৈবা ষ্টাফশিংদা গভর্ণমেন্টনা পার্সোনেল প্রোটেক্টিভ ইক্বিপমেন্ট (পি পি ই) মতিক চানা পীগদবনি হায়না কো–ওর্দিনেটিং বোদি খুরাইনা গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং চিংশিল্লি।

কো–ওর্দিনেটিং বোদি খুরাইগী এসিষ্টেন্ট কো–ওর্দিনেটর এম লোয়া মীতৈনা ফোঙদোরকখিবদি করিগুম্বা পার্সোনেল প্রোটেক্টিভ ইক্বিপমেন্ট (পি পি ই) মতিক চানা পীদবা তারবদি মদুনা মরম ওইরগা ডাক্তর অমদি মেদিকেল ষ্টাফশিংনা মরু ওইনা মিপাইবা পোক্লরে। মথৌ তৌবদা নিংহন্নরকপা ফাওরকপদা নত্তনা ফ্রন্ট লাইন্দা লৈবা মীওইশিংদসু লাইচৎ অসি শন্দোরকপা য়াবগী অকিবা লৈতবা নত্তে। মালেমগী ওইনা লায়েংলিবা ডাক্তর কয়া লায়না অসিনা লৈখিদবা য়াওখ্রবনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মালেমগী ওইবা লান্থেং ওইবনা ভাইরস অসিনা নারবা মীওইশিং ইকায়নিঙাই লৈতে, তুংগী মীরোলগীদমক থৌনা ফনা অকিবা লৈতনা লায়েংথোক্কদবনি। মণিপুরগী ওইনা কোভিদ–১৯ পোজিটিভ ওইখিবা অমনা থৌনা লৈনা চোংথোরত্তুনা লায়না অসি থেংনবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি লোয়ননা থুনা ফগৎলকপসু ওইরসনু হায়রি।

চিরবা তাঞ্জা অসিদা সোসিয়েল বেনিফিট স্কিমগী মখাদা খুদম ওইনা ওল্ড এজ পেন্সন, এম জি নরেগানচিংবগী খূৎশুমন পীথোকপিদুনা মীয়ামদা নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং লৈবদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইহনসি। সি এ এফ এন্দ পি দি দিপার্টমেন্টনা য়েন্থোক্তনা লৈবা চেঙ–হৱাইশিং অথুবা মতমদা কেন্দ্র কেন্দ্রগী এম এল এ অমদি লোকেল বোদিশিংগা খূৎশম্নরগা মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনবিয়ু।

ফার্মাসি অমদি গ্রোসরি দুকানগী মপুশিংনা পোৎ লৈবা লাকপশিং মিটর অমমম লাপ্না মার্ক তৌরগা পোৎ লৈহনবিনবা হোৎনবিয়ু। পোৎ–চৈ লৈবদা কৃক কৃক ইন্নবা হন্থহন্নবা থৌরাং খরসু কো–ওর্দিনেটিং বোদি খুরাইনা কোনবা মফমদা লৌখৎনবা হোৎনরি হায়রদুনা হয়েং ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ৭ তগী নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা মনা মশীং কয়া য়ুমথোঙ খূদিং ফংহন্নবা ফৌওইবী ইন্টরপ্রাইজেজ লংথবালগা খূৎশম্নরগা হোৎনরি হায়নসু মখা তারি।

মীয়ামদা চান–থক্লবা পোৎলমশিং ফংদবগী অৱাবা লৈহনগনু ঃ সি পি আই

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (এসএনএস)ঃ ইম্ফাল সহর অমদি চীং অমসুং তমগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরশিংদা নোংমগী হিংবদা চঙবা মরু ওইবা চান–থক্লবা চেঙ অমদি এঞ্জাং নাপি ফংনদবগী অৱাবা মীয়াম্না থেংনরিবা অসি খরদা ওইরবসু কোকহন্নবা অথুবা মতমদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা থবক পায়খৎকদবনি। মীয়ামদা চান–থক্লবা পোৎলমশিং ফংদবগী অৱাবা লৈহনগনু হায়না সি পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা তকশিল্লি।

সি পি আই ষ্টেট কাউন্সিলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরীনা মেদিয়াদা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, নফসাগী থা অমগী চেঙ লেম্না য়েন্থোক্কনি হায়না লাউথোকখিবা অদু ষ্টেট অসিগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি খূদিংমক্তা মতম অমত্তদা ফংহন্নবা থবক পায়খৎকদবনি। য়ুম য়ুমদা থিনবগী থবক ফাওবা পায়খৎনবা হোৎনগদবনি। কার্দ হোল্ডর নত্তবশিংগীসু তোঙান্না ফংহন্নবা থবক লৌখৎকদবনি। কৈথেলশিংদা চান–থক্লবা পোৎলমশিং ফংবা দুকানশিং চাং নাইনা হাংহন্নবা, মমল হেনগৎনা য়োল্লিবসি খুদক্তা বুক তৌনবা হোৎনগদবনি। মপূং ওইনা চান–থক্লবা পোৎলমশিং পুথোক পুশিন তৌবা ট্রান্সপোর্টর অমদি এঞ্জাং নাপি পুদুনা অরাপ্পা মফমদগী লাক্লগা য়োল্লিবশিংদা আই কার্দ পীথোক্লবা থৌরাং তৌগদবনি। মখোয় কার্ফিউদগী কোমথোক্লবা ওর্দরসু থোক্কদবনি। অসিদসু নত্তনা মীয়ামদা থক্লবা ঈশিং দরকার ওইবা চাং ফংহনগদবনি, লনাই ঈশিং য়োল্লিবশিংনসু কা হেন্না মমল লৌরিবসি গভর্ণমেন্টনা মীৎয়েং চঙগদবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অতৈ ষ্টেট খরদা তৌবগুম লুপা ক্রোর লিশিং ২০ গী কোভিদ –১৯ লান্থেংনবা পেকেজ অমা লাউথোক্কদবনি অমসুং লান্থেংনরিবা ডাক্তর, নর্সনচিংবদা স্পিসিয়েল এল্লাউৱেন্স পীগদবনি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াশিং মপূং ফানা থবক তৌহন্নবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংদা হায়রকখিবা লৈখ্রবনা মণিপুর গভর্ণমেন্টনসু নুমিৎ খূদিংগী পাউ–চে ফোঙলিবশিং, রেদিও, টি ভি, প্রাইভেট চেনেলশিংগী য়াওনা অখন্নবা থৌরাং তৌবিগদবনি অমসুং লাউথোক্কদবনি। হোক্করশিংগীদমকসু অখন্নবা থৌরাং পায়খৎতুনা মীয়ামদা পাউচে ফংহন্নবা হোৎনগদবনি হায়রি। মীয়াম্মসু সেন্টর অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অমসুং ডাক্তরশিংনা পায়খৎলিবা থবকশিং মপূং ফানা ঙাক্লা চৎকদবনি। ঐখোয় পূম্নমক লান্থেং অসিদা দাইত্ব লৌমিন্নগদবনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কুম্বি ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী এরিয়াদা ফিনাইল অমদি ব্লিচিং পাউদরনচিংবা চাইথোকখ্রে

কুম্বি, মার্চ ২৬ (এসএনএস)ঃ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা কুম্বি ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ৪গী এরিয়াদা ঙসি ৱার্দ অসিগী কাউন্সিল্লর নিংথৌজম ওংবী ইবেচা দেবীনা কুম্বি সরাংখোং য়ুথ ক্লবকা খূৎশম্নদুনা ব্লিচিং পাউদর অমদি ফিনাইলনচিংবা চাইথোক কাপথোকখ্রে। মদুদা ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী মেম্বরশিং মাইবম থোইবা মীতৈ অমদি ৱাহেংবম প্রেমজিৎ সিংহসু শরুক য়াখি।

কাউন্সিল অসিগী ৱার্দ নম্বর ১গী এরিয়াদসু ঙরাং হান্নগী কাউন্সিল্লর লাইরেঞ্জম ওংবী প্রেমলতা দেবীগী মীৎয়েং মখাদা ফিনাইল অমসুং ব্লিচিং পাউদরনচিংবা কাপথোকখ্রবা মতুংদা ঙসি কুম্বি তেরাখা এরিয়াদসু মখা চত্থখি। মদুদা ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী মেম্বর ২ ৱাহেংবম নন্দেশ্বর অমদি হাওজম জোনথন অমদি সোসিয়েল ৱার্কর মোইরাংথেম বসন্তসু শরুক য়াখি।

ৱার্দ নম্বর ৭গী এরিয়াদসু ঙরাং মণিপুর রুরেল বেঙ্ক কুম্বিগী সি এস পি ওইরিবা দব্লিউ দি সিগী মেম্বরসু ওইরম্বা খাঙেম্বম গোজেন্দ্রোগী মীৎয়েং মখাদা ফিনাইল অমদি গ্লেসিল কাপথোকখ্রে। কুম্বি লাইশঙ লৈকাই, অৱাং খুনৌ, খুল্লাকপম লৈকাই, এম ই লৈকাই অমসুং কুম্বি বজার ৱারোক লৈকাইনচিংবা মফমদসু ফিনাইল অমদি গ্লেসিল কাপথোকখি হায়রি।

ইলেক্ট্রিক কঞ্জুমরশিং ওন লাইন রিচার্জ তৌবদা অৱাবা মায়োক্লরে

থৌবাল, মার্চ ২৬ (এসএনএস)ঃ কোরোনাভাইরস লান্থেংগী মনুং চন্না ষ্টেট অসিদা টুটেল লোকদাউন অমদি কার্ফিউ লৈবনা মরম ওইরগা এম এস পি দি সি এল ৱাংজিং সব দিভিজননা কোনবা কঞ্জুমরশিংনা ওন লাইন রিচার্জ থাজিনবদা অৱাবা মায়োক্লরে।

কঞ্জুমর খরনা ফোঙদোরকখিবদি অতৈ দিভিজনশিংনা কোনবা মফমদা লৈবা কঞ্জুমরশিংগীদি ওনলাইন্দা রিচার্জ তৌবা অদুমক য়াই অদুবু ৱাংজিং সব দিভিজন্না কোনবা এরিয়াগীদি থা ৫ রোম থিংজিন্দুনা থল্লি। ঙসি ফাওবা য়াদ্রি। হৌজিক্তি লৈবাক্কী ওইবা অথিংবা কয়া লৈবা অসিনা ওফিস তম্না চত্তুনা রিচার্জ তৌনবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্লরি। হৌজিক ওইরক্লিবা লৈবাক্কী লুরবা তানফম অসিদা য়ুম য়ুমদগী মী অমত্তা মপান থোকপদা অথিংবা থল্লি। অদুবু এম এস পি দি সি এলগী মেনেজিং দিরেক্টরনা থোকপা চেরোল অমদা মখোয়গী ৱেবসাইট অমদি ৱেব পোর্টেলদা চঙদুনা মীয়াম্না রিচার্জ তৌনবা খঙহনবা লৈখ্রবসু ৱাংজিং সব দিভিজনগী কঞ্জুমরশিংগী ওইনদি অদুমক থিংজিনদুনা থল্লি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা মেনেজিং দিরেক্টরনা থোকপা চেরোলদা য়াওবা কমপ্লেইন নম্বর ৭৬৪০০৮১২৩৮ অমসুং ৭৬৪০০৮১২৩২ দা কঞ্জুমরশিংনা কোল তৌদুনা ৱাকৎপদা ঙসি ফাওবা করিগুম্বা থবক অমত্তা লৌখৎপিরক্ত্রি। কঞ্জুমরশিং ৱানিংঙা ৱাজৌ হায়বগী মওংদা থৌৱা শাবিদবসি নুংঙাইতে অদুনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবিদুনা কঞ্জুমরশিংগী অৱাবা কোকহনবিয়ু হায়রি।

এম এস পি দি সি এল থৌবাল দিভিজনদগী ৱাংজিং সব দিভিজন খাইদোরকখিবদগী ওনলাইন রিচার্জ থিংজিন্দুনা থমখিবা অসি কঞ্জুমরশিংগী রাইট মৎপনি হায়না লৌদবা ঙম্লোই হায়রি।

দেসাম্না মহৈরোয়শিংগী ওনলাইন কম্পিটিসিন পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (এসএনএস)ঃ কোরোনাভাইরস লান্থেংনরিবা অসিগীদমক লৈবাক শীনবা থুংনা লোকদাউন লৈরিঙৈ মনুংদা দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না অখন্নবা ওইনা মহৈরোয়শিংগী ফার্ষ্ট ফেজ ওনলাইন কম্পিটিসিন পাঙথোক্কদৌরি।

দেসামগী চেরোল অমদা হায়, ওনলাইন ওপন সিম্পোজিয়ম কম্পিটিসনগী টোপিক্লা কোভিদ–১৯ ঙাকথোকপা অমদি সোসিয়েল ষ্টিগমা মুখৎপা হায়বসিনি। কম্পিটিসিন অসি মিনিট ৫ গী ভিদিও ওইগনি। মকোক মথং তাবশিংদা মথংশিৎনা লুপা লিশিং ৫, লিশিং ৩ অমসুং ২ অদুগা ৪ শুবদগী ১০ শুবা পোজিসন ফাওবা তাবশিংদা লুপা ৫০০–৫০০ কন্সোলেসন প্রাইজ ওইনা পীগনি।

দ্রোইং কম্পিটিসনগী থিম্না কোভিদ–১৯ মীওই অমদগী অমদা কমদৌনা শন্দোকই অমদি কমদৌনা ঙাকথোক্কনি হায়বসিনি। কম্পিটিসিন অসি ক্লাস ফাইভতগী টেন ফাওবগী মহৈরোয়শিংনা য়াওবা য়াগনি। মকোক মথং তাবশিংদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৩, লিশিং ২ অমসুং লিশিং ১ অদুগা মরিশুবদগী ১০ শুবা পোজিসন তাবশিংনা কন্সোলেসন প্রাইজ ওইনা লুপা ৫০০–৫০০ পীগনি।

শরুক য়াগদবশিংনা মশা মশাগী ভিদিও অমদি য়েকথোক্লবা পেপর অদু লাক্লিবা এপ্রিল ৫ ফাওবগী মনুংদা দেসামগী ই–মেল নৎত্রগা ৱাটসএপপ নম্বর ৭০০৫০৫৫৩৭৮ দা থারক্কদবনি। অকূপ্পা মরোল ফেসবুক পেজ মীয়ামগী দেসাম মীয়ামগী দেসামদগী খঙবসু য়াগনি হায়রি।

মোরে কৈথেলগী গ্রোসরি দুকানশিং হাংখ্রে

মোরে, মার্চ ২৬ (এসএনএস)ঃ তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা বোর্দর টাউন মোরেগী মোরে কৈথেলদা ঙসি গ্রোসরি দুকানশিং হাংদুনা মীয়ামগী তঙাইফদনা নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা চান–থক্লবা পোৎলমশিং লৈহনখ্রে।

মোরে পুলিসনা লৌখৎপা খোঙথাং অসিগী মনুং চন্না পোৎ লৈবা লাকপশিংনা মিটর ২–২ লাপ্না পরেং লেপহন্দুনা পোৎ লৈহনখি। দুকান ফল্লিবা মীওইশিংনসু নিয়ম অসি ঙাক্লা চৎনবা খঙহনখি। গ্রোসরি দুকান নত্তবা অতৈ দুকান অমদি হোটেলশিংদি থোঙ হাংহনখিদে। থবক লৈতনা লম্বী সরক্তা পূন্না চৎপা মীওইশিংসু পুলিসনা ময়ুম ময়ুমদা হোইজিনখি হায়রি।

য়ুম য়ুমদা ওইনা দুৱা পাঙথোকপিরো

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (এসএনএস)ঃ লৈবাক শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরসকী তমথিবা লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অমদি ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন (দব্লিউ ঐচ ও)না পায়খৎলিবা থৌরাংশিং মায় পাকহন্নবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয় খূদিংমক্কী থৌদাংনি হায়না জামি–অতুল–উলমা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট সঈদ অহমদনা ফোঙদোক্লক্লি। মখা তানা হয়েং ইরাই নুমিৎকী জুমা নমাজ মতুংদা জামি–অতুল–উলমা মণিপুরগী ওফিস জামে মসজিদ বাবুপারা ইম্ফালদা অৱাবা অসিদগী মপুনা কনবিনবা দুৱা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অমদি মসজিদ খূদিংমক্তসু পাঙথোকপিনবা হায়খিবা অদু ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা মরম ওইরগা মশা মশাগী য়ুমদা ওইনা পাঙথোকপিরো হায়না আপিল তৌরি।

চেরোল অমদা হায়, গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী মী পূন্দনবা অকনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলকপনা মরম ওইরগা মসজিদশিংদা দুআ পাঙথোকপা অদু য়ারোইদবনিনা য়ুম য়ুমদা ইশা ইশানা পাঙথোকপিরো হায়বগী ৱাফম থল্লি।

শুনু, ব্লিচিং পাউদর চাইথোকখ্রে

ক্বাক্তা, মার্চ ২৬ (এসএনএস)ঃ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ক্বাক্তাদা লৈবা সঙ্গোং য়ুথ ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন্না লমতু শেংদোকপগা লোয়ননা শুনু, ব্লিচিং পাউদর অমদি ফিনাইলনচিংবা চাইথোকখ্রে।

এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরী জয়কুমার সৌগ্রাকপম্না ফোঙ–দোরকখিবদি লমতু শেংদোকপা অমদি ব্লিচিং পাউদরনচিংবা চাইথোকবা অদুদা নাওরেম মেমা (কালা) দেবীনা চাউনা মতেং পাংবিবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

য়াইরিপোক কৈথেলগী গ্রোসরি দুকানশিং অয়ুক পুং ১০ ফাওবা হাংবা হৌখ্রে

য়াইরিপোক, মার্চ ২৬ (এসএনএস)ঃ কোরোনাভাইরসনা লান্থেংনরিবা অসিগী মনুং চন্না টুটেল লোকদাউন তৌরিবা ফাওবা য়াইরিপোক কৈথেলগী গ্রোসরি দুকানশিং অয়ুক পুং ৬ তগী ১০ ফাওবা থোঙ হাংবা হৌখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, বামোন লৈকাই য়ুথ ক্লব য়াইরিপোক (বি ৱাই সি ৱাই), সোসিয়েল এন্দ ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (সেদো) য়াইরিপোক কৈথেল অমসুং য়াইরিপোক কৈথেলদা গ্রোসরি দুকান হাংলিবশিংগী মপুগা পূন্না ফম্মিন্নরবা তুংদা ঙসিদগী নুমিৎ খূদিংগী অয়ুক পুং ৬ তগী ১০ ফাওবা হায়রিবা দুকানশিং অসি মীয়ামগীদমক থোঙ হাংবা হায়না য়ানখিবনি। কোরোনাভাইরস লান্থেংনরিবা অসিদগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা তঙাইফদনা মীয়ামগীদমক য়েংলগা থৌরাং অসি তৌবনি হায়না বি ৱাই সি ৱাইগী সেক্রেটরী সঞ্জোয় হিদাম্না ফোঙদোরক্লি।

ঙসি অয়ুক পুং ১০ ফাওবা গ্রোসরি দুকানশিং থোঙ হাংখিবা অদুদা মীয়াম্না পোৎ লৈবনচিংবসু মিটর অমমম লাপ্না লেপ্পনবা ক্লবকী ভোলুন্টিয়ারশিংনা শীল–লাংখি। অদুগা পোৎ পুল্লপ পুল্লপ লৈশিন্নবা হোৎনরম্বশিংসু অথিংবা থমদুনা দরকার লৈবখক লৈহন্নবা হোৎনখি। দরকার লৈবা চাংদগী হেন্না লৈশিন্নবা হোৎনরম্বা পুলিস পার্সোনেল ফাওবা দরকার ওইবা চাংদগী হেন্না লৈহনখিদে হায়রি। লাউদ স্পিকর শীজিন্নদুনা পোৎ–চৈগী মমল হেন্না য়োন্দনবা, লৈবা লাক্লিবা মীয়াম্না মিটর অমমম লাপ্না লেপ্পুবা খঙহনখি হায়নসু সঞ্জোয় হিদাম্না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কন্সট্রক্সন ৱার্করশিংগীদমক লেবর মিনিষ্ট্রিনা এদভাইজরি ইসু তৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (এসএনএস)ঃ কোভিদ–১৯ শন্দোরক্লিবা অসি থেংননবা গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলিবা তোঙান তোঙানবা থবক্তা ৱার্করশিংদা রেলিফ পীনবগীদমক অমদি নোংমগী শুরগা চরা তাঞ্জরিবা অনওর্গনাইজ কন্সট্রক্সন ৱার্করশিংগীদমক য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ইন–চার্জ লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট সন্টোসকুমার গংৱানা লৈবাক অসিগী ষ্টেট পূম্নমক্কী চীফ মিনিষ্টর অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী লেফটিনেন্ট গভর্ণরদা ঙসি এদভাইজরি ইসু তৌখ্রে।

বিল্ডিং এন্দ কন্সট্রক্সন ৱার্করস এক্ট ১৯৯৬ কী সেক্সন ৬০গী মখাদা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি গভর্ণমেন্ট পূম্নমক্লা এক্ট অসিগী মখাদা লেবর ৱেলফেয়ার বোর্দনা খোমগৎপা সেস ফন্দদগী দি বি টি মোদকী খূত্থাংদা কন্সট্রক্সন ৱার্করশিংদা মখোয় মখোয়গী একাউন্টতা ফন্দ ট্রান্সফার তৌনবা পাউতাক পীরি।

পি আই বি ন্যু দিল্লিদগী থাদোরকপা চেরোলনা হায়, কন্সট্রক্সন ৱেলফেয়ার বোর্দতা রেজিষ্টার তৌরবা কন্সট্রক্সন ৱার্কর ক্রোর ৩.৫ রোম লৈ। অদুগা সেস ফন্দদা লৈরিবা শেনফম্না চাউরাক্লা লুপা ক্রোর ৫২০০০ রোম্নি।

ঙসিগী রাষি ফল (২৭–০৩–২০২০)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল

মেষঃ চাউখৎপা, হকচাং ৱাখল ফগৎপা, পোৎ মাল লৈবা য়াবা, অচৌবা মচা খায়দনা নুংশিবিবা, শেল ফংবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১,২, ৩ অফবনি।

বৃষঃ খৎনবা, শাওনবা, শোক্কনবা মতম্নি। লম চৎপা, মী তিন্নবদি চেকশিল্লু। অনৌবা পোৎ লৈবদি চেকশিল্লু। হকচাং ৱাখল নুংঙাইবা ৱাৎলগনি। নক্ষত্র ৩,৪ ফগনি, ৫ হেন্না ফত্তে।

মিথুনঃ পামদবা থেংনবা, কোক শাবা, মীনা য়েংথিবা মতম্নি। পোৎ লৈবদা চেকশিল্লু, হকচাং ফবা ৱাৎলগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ৫ ফত্তে, ৬ ফগনি, ৭ ফত্তে।

কর্কটঃ চয়েৎনবা, ৱাখল লাঙবা, য়েক্নবা হেনগৎপা মতম্নি। হকচাং ৱাখল নুংঙাইবা ৱাৎলগনি। চঙজরকপা কনখৎলুগনু। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৭ ফত্তে, ৮ ফগনি, ৯ ফত্তে।

সিংহঃ হকচাং, ৱাখল নুংঙাইবা, শেল ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। অচৌবা মচা খায়দনা নুংশিবিরগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১০, ১১, ১২ অফবনি।

কন্যাঃ খৎনবা, ৱা থোকপা মতম্নি। গারী তপ্না থৌগনি। শেল পীথোক পীশিন্দা চেকশিল্লু। পোৎ লৈবা য়াগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ১২,১৩ ফগনি, ১৪ ফত্তে।

তুলাঃ শাওনবা, খৎনবা, ৱারৌবা মতম্নি। মীনা য়েংশিনবা মতম্নি। লম চৎপা, মী তিন্নবদি চেকশিল্লু। হকচাং নুংঙাইরোই। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৪ ফত্তে, ১৫ ফগনি, ১৬ ফত্তে।

বৃশ্চিকঃ মত খেন্নবা, ৱাখল লাঙবা, ৱারৌবা মতম্নি। লম চৎপা, মী তিন্নবা হৈ শিংউ। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৬ ফত্তে, ১৭ ফগনি, ১৮ খরা ফগনি।

ধনুঃ হকচাং ৱাখল ফগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, মরুপ মফম ফগৎপা মতম্নি। ইমুংদা ইংনা লৈরগনি। পাঙথোক্লিংবা পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ১৯, ২০, ২১ ফগনি।

মকরঃ শোক্কনবা, খৎনবা মতম্নি। গারী তপ্না থৌগনি। শোক্কনগনি। হকচাং ৱাখল ফগৎনবা হোৎনজগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ২১, ২২ ফগনি, ২৩ ফত্তে।

কুম্ভঃ চরক চহিং নাইবা মতম্নি। পাঙথোক্লিংবা খরদি পাঙথোক্লগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৩ চাং অমদা লৈ, ২৪ ফগনি, ২৫ ফত্তে।

মীনঃ অপনবা অয়েৎপা মতম্নি। শেল ফংবা চৎপা মতম্নি। লমতু চৎপা হৈশিংউ। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ২৫ ফত্তে, ২৬ ফগনি, ২৭ ফত্তে।